থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ...‘ঙসিগী পোজিটিভ লিষ্ট থাগৎপীরক্লো?...

ইনফোর্মেসন সেয়রিং অমদি কম্যুনিকেসনগী কান্নবা পান্বে অমা ওইরিবা, মোবাইল ফোনগী ‘ৱাটসএপ’ এপ্লিকেসন, মরুপ-মপাং-মরী-মতা-ইচা-ইশু থাপ্পা লৈখ্রবশিংগা পাউ ফাওননবগী খ্বাইদগী লায়বা, খূৎলোয়বা অমদি অথুবা পান্বে অমা ওইনা শীজিন্নরম্বদু, হন্দক, কোভিদ-১৯-পেন্দমিক’কা মরী লৈনবা পাউ, তোকঙা অমদি ৱাথী-ৱারেম শন্দোক্লফম ওইরকপদগী, সোসল-মীদিয়াগী খ্বাইদই ইফেক্টিভ ওইবা মেদিয়ম অসি তানীংদবা/য়েংনীংদবগী থাক অদুদা লাকপা তানফম অমা য়াওরকখি। লায়নাসিগী চৈথেং ফংদুনা লায়েংদা লৈর’ মতুংদা মরুপ-মপাং-ইচাশিংনা কন্না হায়রকখিবা - ‘মোবাইল ফোনগী ৱাটসএপ-মেসেজ য়েংলুনু, ঈশৈ তাদুনা, সিনেমা য়েংদুনা লৈথোকউ’। সাইকিয়েত্রিষ্টশিংনসু হায় ... ‘এক্সপর্টশিং/ওথোরিটিনা হায়বা ৱা নত্তনা অতৈনা হায়বা তারুনু ৱাখল লায়না নাগনি’...। অদুবু, অদুগুম্বা ওথোরিটি অদুনা শেরান তুরান তৌরক্লবা, চৎন-কাঙলোন ঙাক্লত্ত্রবা, মপূম ফাদবা ইনফোর্মেসন পীরক্লবা-কনানা চুমথোকপীগনি?

কোভিদ-টেষ্টিং-লেবোরেটরিশিংদগী থাদোরক্লিবা, নোংমদা টেষ্টিং তৌরিবশিংগী পোজিটিভ অমসুং নেগেটিভ ওইরবা মীশিংগী লিষ্ট’তুদা ইরিবনি- ‘নোট টু বি সেয়রদ’। নুমিদাংৱাইরম য়ৌরকপদা ‘গ্রুপ-ৱাটসএপ’ য়ুজরশিংনা হায়নরক্কনি - ‘ঙসিগী পোজিটিভ লিষ্ট থাগৎপীরক্লো’। কুইরোই - লৈঙাক ওথোরিটিনা নীংথিনা শেম-শারবা, কোভিদ-পোজিটিভ-পেসেন্টশিংগী লৈফম্নচিংবা য়াওরবা অকূপ্পা ইনফোর্মেসন, সোসল মীদিয়াদা, মালেম শীন্না খঙনবা অপলোদ তৌরক্লগনি। মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী চৎনলোন, ইথিক্স রিগুলেসন মঙাশুবদা ময়েক শেংনা ইরিবা ‘ডাক্টরশিংনা অনাবশিংগী অরোন-অথুপ (প্রাইভেসি এন্দ কনফিদেন্সিয়েলিটি) ঙাক শেনগনি... ৱায়েলশঙগী য়াথং য়াওদনা হায়দোকপা য়াদে’... হায়বা ৱাফমদু ভাইওলেট তৌরগা লমদমসিদা, মীচমদগী হৌরগা লৈঙাক ওথোরিটি ফাওবা, কনানা ‘লো’ বু ইকায়খুম্নবগে, লো থুগায়বা, নৎত্রগা লো’বু মখূত্তা পায়বা ঙম্বা মীদুবু অকনবা/অথৌবা/তৌ’ঙম্বা অচৌ-অশাং কৌনরিবা লমদমনি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি, মীয়ামগী হক খুনগোয়নবা-আইন’না য়াদবা থবকনি-কনানসু নীংশিংনদে। লৈবাকসিগী ৱায়েলশঙসু থোঙদুদা থীল্লুদ্রি’মখৈ মমীৎ পাঙদবা ৱায়েন-মপুনা লৈতেংবনি। ‘লায়না অসি লাকশিনবদা নারবা মীদগী অতোপ্পদা শন্দোরকপা থিংবদা হেন্না ইফেক্টিভ ওইনবা, কোরোনা-পোজিটিভ ওইরবা মীশিংগী অকূপ্পা ৱারোল মীয়াম খঙনবা ফোঙদোকপনি’... লৈঙাক ওথোরিটিনা খুম্লক্কদবা পাউখুমসি মমাঙদা আজমির, দেল্লী, মোহালিনচিংবগী মফম খরদা লোকল ওথোরিটিনা অসিগুম্বা থৌওংসি পায়খৎলুবদা মীয়ামগী-লূপশিংনা ৱায়েনশঙদা ৱাকৎপদা খুম্লকখিবা পাউখুমনি। মখা তানা তৌখিদ্রে। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমত্তদা থৌওং অসি পাঙথোক্তে, মণিপুরখক্তদা তৌবনি। মরমদি, লমদমসিদা মী খুদিংমক মপুনি, তৌনীং-তৌনীংবা তৌবনি, মামুক খঙবা লৈতবনি, কনামত্তই মৱা লৌদবনি। থৌওং অসি চত্থরুবদগী ‘ভোল্যুন্টরি টেষ্টিং’ (মশানা য়ানা টেষ্টিং) তৌবগী চাং হন্থরিবনি হায়বসি লৈঙাক-ওথোরিটি’না খঙদে অমসুং খন্থদে। নম্ফু শীজিন্নরগা য়ূম য়ূমদা চঙলগা কোভিদ টেষ্ট তৌরনি, কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লনি... খৌনাওদগী ঙাঙথোকখিবা ৱা অদু কদায় ফাওবা ঙাক্লবা, করম্বা দিষ্ট্রিক্টকী করম্বা লৈকায়দা তৌখ্রবা ... পাউচেশিংদা ফোঙলক্তবনা খঙদে কনামত্তনা। ঐগী লৈকায় অমদি নাক-য়েৎ-মাঙ-তুং, য়ূমলোন্নবদা লৈরিবা লৈকায়সিদদি তৌখিদ্রি। খঙদে, অচৌবা মিনিষ্টর/এম এল এ খরগী কন্সটিট্যুয়েন্সি খরদকাদি তৌরমগদ্রা!

অদুবু, লৈঙাকসিনা মীয়ামদা নুংতিগী কান্নবা ইনফোর্মেসন অমদি পীরি - ‘ষ্টেটস অপদেট ওন কোভিদ-১৯’ হায়দুনা। নোংমগী নুংথিল পুং ২দগী মথংগী নুমিৎ অদুগী নুংথিল পুং ২ ফাওবদা মণিপুরগী টেষ্টিং লেবোরেটরিশিংদগী খোমগৎলকপা রিপোর্টশিংদুদা য়ূম্ফম ওইরগা শেম্বনি। মীয়ামদা পীবা কান্নরবা ইনফোর্মেসন-সীট অসি, মীয়াম্না মুন্না (কুপথনা) য়েংলুরবদি মিসলিদিং ওইগদবা, অচুম্বা ওইরোইদবা ইনফোর্মেসন খরা য়াওরি। খুদম ওইনা ‘বি’ গ্রুপ’তা পীরিবা ইনফোর্মেসনসি - নুমিত্তুদা ফংবা, মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লেবোরেটরিশিংদগী ফংবা পোজিটিভ কেস মশীং অমদি হান্নদগী (মমাঙদগী) পুথরকপা, অপূনবা, টেষ্ট তৌখিবা অমদি পোজিটিভ ওইখিবা মশীং অদুনি। অদুগা ‘এফ’ গ্রুপ’তা পীরিবা মশীং অদুনা ইম্ফাল ‘এয়র-পোর্ট’তা টেষ্ট তৌখিবা নোংমগী অমদি অপূনবা মশীং অমসুং পোজিটিভ ওইখিবা মশীংদুনি। হায়বদি, টেষ্ট তৌখিবা অমদি পোজিটিভ ওইখিবা মীগী অপূনবা মশীং - ‘বি’ অমসুং ‘এফ’ কী অপূনবা মশীংদুনা ওইগদবনি। মীঙোন্দা রিপোর্ট তৌবদা পানরিবসি ‘বি’ গী ফিগর’দুখক্তনি। এয়র-পোর্ট’তা টেষ্ট তৌরিবদু টেষ্টিং সেন্টর (লেবোরেটরি) অমা ওইনা লৌদুনা ২১শুবা য়ুনিট অমা ওইনা ‘বি’ গী লিষ্টতুদা হাপচিনবা করি কায়বগে? ‘এফ’ হায়বা কাঙলূপ অমা হাংলুবগী কান্নবা করিনো? খনফম খঙদে ঐ। অদুগা, পীরিবা দাতা অসিগী প্রজেন্টেসন মওং’সিমগা হোংদোকহন্নীংবগী অপাম্বা, মুন্না য়েংলুবা কনাগুম্বা অমদদি শুকশোয় শোয়দনা ফাওরম্মি।

গ্রুপ ‘বি’ গী মশক তাকপা, হেদিংদুমক্তদা, ব্রেক্কেৎ মনুংদা, ‘ঙসিগী পোজিটিভ ওইবগী চাং’ (৯%, ১০%) হায়দুনা উৎলিবদুগী মহুত্তা ‘কল্লম’ ওইনা, টেষ্ট তৌবা মশীংগা পোজিটিভ ওইবা মশীংগা থংনহল্লগা ‘ঙসিগী পোজিটিভিটি রেট’ হায়ব’মা হাপচিল্লবদি অয়েংবা খুদিংমক লায়না খঙবতা নত্তনা শোয়দনসু য়েংগনি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা, নোংমদুগী পোজিটিভ ওইবা মী কয়ানো উৎপা ‘কল্লম’ দুগী হেক মথংদা ‘অপূনবা পোজিটিভ ওইখ্রবা মশীং হায়বদুনা লোইশিনবদুনা, ফিগর অদু ঙসি পোজিটিভ ওইনা লৈরিবা মীশিং ওইনা উনীংঙাই মরম চাউনা লৈ। ‘নেগেটিভ ওইরকখ্রবা’ হায়গেরা ‘নাবা ফরকখ্রবা’ হায়গেরা, অতোপ্পা কল্লম অমগা, ‘অপূনবা পোজিটিভ ওইদুনা লৈরিবা মীশিং হায়গেরা-অনীদংগা হাপচিল্লগা, অপাবা/অয়েংবা মী খুদিংমক্তা ময়েক শেংনা (ক্লিয়র-কট) মেসেজ অমা পীবা ঙমগনি। পূম্নমকসি ‘গ্রুপ ঈ’দা পীরিবা, ময়ূম-ময়ূমদা নায়তোম তোঙান লৈদুনা লায়েংলিবা ময়ামদুগী মশীংসু থাবা য়াওদ্রিবনি।

লৌশিং পুক্কে

# সার্স-কোভ-২গী দেলটা ভেরিয়ন্ট

## লায়থোকপা য়ারোইদৌরিবা অনৌবা ম্যুটেন্ট

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থোকহল্লিবা ভাইরস সার্স-কোভ-২ অসিগী দেলটা হায়না কৌনরিবা অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসি মালেমগী মফম কয়াদা খোঙজেল য়াঙনা শন্দোকপা লেপত্রি। মণিপুরদগীসু মীওই ২০দগী সেম্পল লৌদুনা টেষ্ট তৌবা মতমদা মীওই ১৮দি দেলটা ভেরিয়ন্ট ওইরম্লে হায়বগী পাউ লাক্লি। দেলটা হায়রিবা ভেরিয়ন্ট অসিগী মরমদা মমুৎ তানা খঙবা হায়বসিনা অনৌবা, হেন্না শাথিরবা ভেরিয়ন্ট অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইগনি হায়বা য়াই।

দেলটা ভেরিয়ন্ট হায়না খঙনরিবা সার্স-কোভ-২গী বি.১.৬১৭.২ অসি ইহান হানবা ওইনা ২০২০গী দিসেম্বরদা ইন্দিয়াদা থেংনখিবনি।

কুমজা ২০২১গী এপ্রিলদা দেলটা ভেরিয়ন্ট অসি ইন্দিয়াদা অনৌবা কোভিদ-১৯ কেসশিং নাহনবা খ্বাইদগী কম্মন ওইনা শন্দোকপাা ভেরিয়ন্ট অমা ওইরকখি। মতম অদুদগী হৌজিকফাওবদা ভেরিয়ন্ট অসি তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৮০দা থেংনবগী রিপোর্ট লৈরে হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী রিপোর্ট মতুং ইন্না হায়রি।

দেলটা ভেরিয়ন্ট অসিনা য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতসু অতোপ্পা কোভিদ-১৯ ৱেভ অমা অমুক লাকহল্লকপা য়াই হায়বগী নুংনাংবা পোক্লরি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ এল্লর্জি এন্দ ইনফেক্সিয়স দিজিজেসকী দিরেক্টর ডা. এন্থোনি এস ফোকিনা ৱার্নিং তৌখ্রে মদুদি, দেলটা ভেরিয়ন্ট লৈরবা লৈবাক খুদিংমক্লা লায়না লাইচৎ শন্দোরক্কনি হায়বগী য়াম্না চেকশিনগদবনি। মসি মরুওইনা ভেক্সিন কাপ্পবা মীওইশিংগী মশিং য়াম্না য়ামদ্রিবা লৈবাকশিংগীদমক্তনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, দেলটা ভেরিয়ন্ট অসি ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওইশিংগী মরক্তা শন্দোকপা থেংনরে, মসি য়াম্না খোঙজেল য়াঙনা দোমিনেন্ট ওইরকপা ঙমই হায়রি।

য়ু কেদগী ফংবা দেটাগী মতুংইন্না দেলটা ভেরিয়ন্ট অসি হান্না বি.১.১.৭ হায়না কৌরম্বা অল্ফা ভেরিয়ন্টতগী ৬০% লোম হেন্না শন্দোকল্লি হায়রি। অল্ফা হায়রিবা অসিসু অমুক হান্না লৈবাক অদুদা পাক্তরুনা শন্দোক্লম্বা ষ্ট্রেন অদুদগী হেন্না শন্দোকল্লিবনি।

য়ু কেদা লৈবা ইম্পরিএল কোলেজ লন্দনগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফেক্সিয়স দিজিজগী হেদ অমসুং প্রোফেসর ওফ ভাইরোলোজি প্রো. ৱেন্দি বারক্লেনা হায়খিবদা, মশা ফবা সেলশিংদা ভাইরস অসিনা চঙবা অমসুং ইনফেক্ট তৌবা য়াহল্লিবা স্পাইক প্রোটিনশিং অসিদা থোকপা মরুওইবা ম্যুটেসন খরনা মরম ওইরগা ভেরিয়ন্ট অসি হান্নগী ভেরিয়ন্ট অদুদগী হেন্না শন্দোক্নবা ওইহল্লি।

সার্স-কোভ-২গী দেলটা ভেরিয়ন্টনা ইনফেক্সন তৌবদা থেংনবা প্রাইমরি সিম্পটমশিং অসি হান্নগী ভেরিয়ন্টশিংনা ইনফেক্সন তৌবা মতমদা থেংনখিবশিং অদুদগী তোঙাল্লি হায়না য়ু কেগী সাইন্টিষ্টশিংনা খোমজিনখিবা দেটাশিংনসু উৎলি।

কিংস কোলেজ লন্দনগী এক্সপার্টশিংনা সাইন্টিফিক এনালাইসিস তৌখিবা জেদ ও ঈ কোভিদ সিম্পটম ষ্টদিদগী ফংবা দেটানা হায়রি মদুদি, দেলটা ভেরিয়ন্টনা ইনফেক্সন তৌবগী মরুওইবা সিম্পটমশিংদি কোক চীকপা, খৌনাউ নাবা, অমদি নাতোন মহী চেনবা অসিনি।

মসি কোভিদ-১৯গী সিম্পটমশিংগী ওফিসল ইনফোর্মেসন অদুদগী অহোংবা লাক্লিবনি। খুদম ওইনা য়ু কেগী নেসনল হেল্থ সর্ভিস (এন ঐচ এস)গী ইনফোর্মেসন মতুংইন্না লাইহৌ, লোক লেপ্তুনা খূবা, মনম নৎত্রগা মহাও খঙদবা হায়বসিনা লায়না অসিগী মরুওইবা সিম্পটমশিংনি হায়না পল্লি।


দেলটাগী শন্দোক্নবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিগী দেটাগী মতুংইন্না সাইন্টিষ্ট খরনা হায়রি মদুদি, মসিনা মখা তাবা কোভিদ-১৯গী ৱেভ অমা লাকহনবা য়াবগী রিস্ক ৱাংখৎহনবা য়াই।

ইম্পরিয়ল কোলেজ লন্দনগী মোদেলিং প্রোজেক্সনশিংনা উৎলি মদুদি, দেলটা ভেরিয়ন্ট অসিনা কোভিদ-১৯ নাবদা হোস্পিটালাইজেসন তৌবগী চাং য়াম্না হেনগৎহনবা য়াই, মসিনা য়ু কেবু অহুমশুবা ৱেভ অমা লাকপা য়াবগী ফিভম লৈহল্লে হায়রি।

ভেরিয়ন্ট অসি শন্দোকপগী নুংনাংনিংঙাই ওইরবা রিপোর্টশিং অসিগী মতুং তারকপদা ব্রিটিস গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অদুদা পেন্দমিককী অথিংবশিং কোমথোকপগী মতম চয়োল মরি থীন্থহনখ্রে হায়রি। শন্দোক্নবগী চাং য়াম্না ৱাংবা ভেরিয়ন্ট অসিনা মরম ওইরগা য়ু এসতসু কোভিদ-১৯ আউটব্রেকশিং মখা তানা মায়োক্লরকপা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে। লৈবাক অদুগী ভেক্সিনেসনগী চাং নেম্বা মফমশিংদা অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিগী আউটব্রেকশিংগী রিস্ক লৈ হায়রি।

মসিনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা মপুঙ ফানা ভেক্সিনেট তৌনবা য়ু এসকী ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ দি এ)গী কম্মিস্নর ডা. স্কোট গোটলিবনা মীয়াম্বু পুক্লিং থৌগৎলি। য়ু এসতা শীজিন্নরিবা এম আর এন এ ভেক্সিনশিং (ফাইজর-বাইও এনটেক অমসুং মোদর্না) অসি দোজ অনী কাপ্পা মতমদা দেলটা ভেরিয়ন্ট অসিদগী ঙাকথোকপদা য়াম্না চাং ৱাংনা ইফেক্টিব ওই। অদুগা ভাইরেল ভেক্টর ভেক্সিনশিং হায়বদি জোন্সন এন্দ জোন্সনগী অমসুং এষ্ট্রাজেনেকাগী অসিসু ৬০% ইফেক্টিভ ওই। এম আর এন এ ভেক্সিনশিং অসিদি ৮৮% ইফেক্টিভ ওই। লায়না লাইচৎ অসিবু কন্ট্রোল তৌনবা অমদি মায়থীবা পীনবা খুৎলায়দি ঐখোয়দা লৈরে। হৌজিক ঐখোয়না তৌগদবা হায়ববু খুৎলাইশিং অসি শীজিন্নবা হায়বসিনি হায়নসু মহাক্না মখা তারি। পনবা য়াবদি এষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন অসি ইন্দিয়াদা কোভিশিল্ড হায়না মমিং থোন্দুনা শীজিন্নরিবা ভেক্সিন অসিনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে




HL-B/7002/21

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

## কোভিদ-১৯গী লোকদাউন, কর্ফিয়ুগী মরকসিদা লৌমীশিংগী অৱাবদি কনামত্তনা উবিদ্রে



মীওইবা খুদিংমক চাদনা হিংবা য়াদে অদুবু চহী অমগী চানবা মরু-মরাং কয়া পুথোকচরিবা লৌমীগী অৱাবদি কনানসু উবিদে। লোকদাউন, কর্ফিয়ু লৈবনা শু-নোমদুনা হিংজরিবা লৌমী কয়াবু শুফম-নোমফম খঙদনা ৱানা লৈনরি। অদুবু লৌ উবগী মতম য়ৌরকপসিনা অমুক্কা হেন্না অৱাবা নঙহল্লি। মরু-মরাং লোক্লবা হোৎনবদা পাঙ্গল থৌনা খক্লা য়াদে। ফর্টিলাইজর, ইনসেক্টিসাইদ কয়া অমা চঙলি। মদু খক্তা নত্তনা থাউগী মমল হেনগৎপনা মরম ওইরগা লৌ খোইবগী মমলসু য়াম্না তাঙখৎখ্রে। চান-থক্লবা খক্কী ৱানরিবা মতম অসিদা লৌমীগী পুন্সিদদি লৌ উবগী হোৎনবদনা হেন্না ৱানরি। মরম অসিনা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯গী ৱারবা মরকসিদা লৌমীশিংনা করম্না হোৎনজরি হায়বসি মরি লৈনবশিংনা য়েংশিনহন্নিংই। হৌখিবা চহী অমা অনীসিদা ঈশিং কা হেন্না চাওবা অমদি ইকং থোকখিবনা মরম ওইদুনা চাথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমখিদে। অদুবু হেন্না লাইবক থীরিবদি অদুগুম্লবা অৱাবা মতম অদুদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অখন্নবা থৌরাং অমত্তসু লৌখৎখিবা থেংনখিদে। মতম চানা লৌমীশিংনা হার ফংদবগী চৈথেং অদুমক ফংদুনা লাক্লি। মরম অদুনা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া তৌবিরি হায়রিবা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংনা হৌজিক তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহনবিয়ু।

❒ শঞ্জুতা মুতুম, শঞ্জেনবম অৱাং লৈকায়

## লোকদাউনগী মনুংদা লৌমীশিংগী ফংহফম থোকপা পোৎলমশিং মতম চানা ফংহনবিয়ু



লোকদাউন মনুং অসিদা লৌমীশিংগী ফংফম থোকপা পোৎলমশিং মতম চানা ফংহনবিয়ু। কুমগী নোংজু য়ৌরক্লে। কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা ললোন-ইতিক, চৎথোক-চৎশিন য়াদ্রবা লাইরবা লমদম অসিগী লৌমী কয়াদি লৌবুক মায়কৈ পাংবা হৌনরক্লে। কুম অমগী ফৌগী পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমহৌনবা হায়দুনা মতম অসিদা লৈঙাক অমদি মরি লৈনবা লোইশঙশিংনা লৌমীশিংগী খনবিদুনা মতম চানা ফৌদি, হার অমদি অতৈ-অতৈ ফংহনবিফম থোক্লবা পোৎলমশিং ফংহনবিহৌরবদি লমদম অসিগী লৌমীশিংনা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগদৌরিবনি। মসিনা লমদম অসিগী ইকোনোমিদসু অচৌবা মতেং পীগদৌরিবনি। লৌমীশিংগী মঙলানসু মদুমকনি। মাগী-মাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ফৌদি পীথরক্লে হায়বদি তারে। অদুবু লৌমীশিংদদি হৌজিক ফাওবদি ফংহনবিবগী পাউদি তাদ্রি। হায়নবা লৈ য়াওশঙ লোয়রগা অবের থুংবগী কান্নবা করিনো? মরম অসিনা লৈঙাক অমদি মরি লৈনবা লোইশঙনা লৌমীশিংগী ফংহনফম থোকপা পোৎলমশিং মতম চানা ফংহনবিদুনা লমদম অসিদা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা অচৌবা মতেং পাংবিফম থোকই। চাবা-থকপদা মীপাল তাংদবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনবদা শুপ্নগী লৌমীশিংতনা হোৎনবনা ঙম্লোই। পাল্লিবা লৈঙাক অদুনা মতিক চানা লৌমীশিংদা মতেং পাংবিরবা মতমদতা ওইবা ঙমগনি। চাবা-থকপদা মীপাল তাংদ্রবা মতম অদুদা লমদম অসিগী ইকোনোমী ফগৎলক্কনি। লোয়ননা মীয়ামগী পুন্সি মহীংদা চাওনা অহোংবা শোয়দনা লাক্কনি।

❒ তোম্বা নাউরেম, হৈরোক কবো লৈকায়

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২১।০৬।২০২১ ইং, নিংথৌকাবা;
ইঙাগী ১১ নি পানবা।

মেষ : হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, লনদা মীনা মীতাবা অমদি মরুপ মপাংগা ৱাখল তানদবা খরা লৈরসু নীংবা থুংগনি, অনৌবা থৌরমদা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : খাংবা কনবা অমদি নক্লবা মীতগী মতেং লৌবনা মায় পাকচৌ হায়বা নুমিৎনি। অনীংবা থবক্তা নিংথিনা খন্থরগা খূৎ থাও শোয়দনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মিথুন : হোয়া ফবা অমদি মীনা ইনশিনবা লৌবা-করিমত্তা কান্নরোই। অচুম্বনা মায় পাকই হায়বা নুমিৎনি, নচা ননাই/মীয়ামগী থৌদদি পেঞ্জগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি ৱাখলদা নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : চরাংনরবা অমদি মতাং চাদনা ইচং থৌরবা মাঙবতা থুংগনি। খুদোংচাবা ফংবা য়াবদি য়াম্না থেংনগনি -অদুবু অখঙ অহৈগী ৱা লৌদ্রদি মাঙখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

সিংহ : মরুপ খনবদি হৈয়ু। মায় পাকহনগে পাকহল্লোই নশাদা লৈরে। অফবা থবক্তা শেল থাদবা, অচুম্বনা মাঙওইনবা অমদি য়েনবদা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : য়েক্লবা চাওখৎলসু অফবা খরদি ফংজগনি। লৌশিং ফুদোকপদি ঙমলোই অদুনা লাই-গুরুনা হায়বা তাকপদো লৌ। থেংলপ্পা লন চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনবা পামগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : হরাওবা-লাইবক ফবা ঙসিসু লৈগনি। হকচাংসু নুংঙাইবা হেনগনি অমদি অনৌবা থবক মীনা ইনশিনবা লৈতনা পাংহৌরো। নাপলদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃশ্চিক : য়েক্লববু ঙমজবা, হকচাং নুংঙাইবা অমদি কিদবনা মায় পাকপা নুমিৎনি। অদুবু ফংবা য়াবা পনবা অমদি ৱাঙাঙ চেকশিন্দ্রদি চোপ্পা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

ধনু : নীংবা মপা চাগনি, শেল/লন ফংগনি, অরাপ্পদৈ কান্নবা ফংগনি। য়েৎনবা অমদি অখঙ অহৈ তানবদি মায়থীগনি-লৌশিং চাওবগী ৱা তাও।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মকর : ইমুং মনুংগী ৱা তাবনা পাংঙমদবা থবক পাংগনি অমদি ৱাখল থোকপা নুমিৎনি। লান্দবনা নচাক নরল চংগনি। মীতোপ/হুরানবদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : থৌনা ফুদোকপা অমদি মীয়াম লোয়নবা কান্নগনি। ঙক কনবা অমদি হোয়া ফবদি মাঙজগনি -নোল্লুক্না য়াকা য়েংনা চৎলু-মায়থীবা লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিন : ইমুং মনুং, মরুপ মপাং অমদি মরী মতাগী মতেংনা চাওখৎকনি। পল্লম্বা লনসু থেংলপ্পা ফংগনি। ফিংবা অমদি ৱানোম থৌনোমদি চান্নদে।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।